

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*দোহা ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু স্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্বী অমেরিকাগী অমান্দা এনিসিমোভা*

*ৱার্ল্ড গ্রুপ ক্বালিফায়রগী ক্রোএসিয়াগা শান্নগদবা দেবিস কপ টাইদা ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা য়াওখ্রবা ভেটেরান শান্নরোই লিয়েন্দর পেস*

## লাল্লিয়ানজ্বালানা ছাংটেনা অথেংবদা চনখিবা গোলনা চেন্নাইন নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকা ২–২ দা দ্রো চংখ্রে



*গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী এঠলেটিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ১৮শুবা রাউন্দগী মেটচতা লাল্লিয়ানজ্বালা ছাংটেনা অথেংবদা চনখিবা গোলনা চেন্নাইন এফ সি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকা গোল ২–২ দা দ্রো চংখ্রে।

মেটচ অসিগী ১৭শুবা মিনিটতা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোই মাসি সাইঘানিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। মখা তানা শান্নরকপদা গোল শোথরিবা য়ুম্বু টিম ওইরিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চংখদুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি।

শান্নবগী ৪২শুবা মিনিটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা চংখরকখিবা এটেক অমদা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোই তোন্দোনবা সিংহনা মখোয়গী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা চৎন–পথাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবদগী রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্হোকখিবদগী চেন্নাইনগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি। লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা পেনাল্টি অমসু ফংখি। পেনাল্টি অদু টিম অসিগী শান্নরোই মার্টিন চেভসনা গোল ওন্থোক্তুনা টিম অনীমক গোল ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা শান্নরোই অমা হেনবগী খুদোংচাবা লৌদুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চংখরকখি। মেটচকী ৭১শুবা মিনিটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অহানবা গোল চনখিবা মার্টিন চেভসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনিটতা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা লাল্লিয়ানজ্বালা ছাংটেনা গোল অমা চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অসি টিম অনীমক গোল ২–২ দা দ্রো চংখি।

## ‘ইন্দিয়ানা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন’স ৱার্ল্ড কপ্তা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমগনি’

*লোজেন, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন’স ৱার্ল্ড কপ্তা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা মালেমদা ঙকহনবা ঙমগনি হায়না ইন্দিয়াগী য়ু–১৭ নুপী ফুটবোল টিমগী গোলকিপিং কোচ প্রিসিয়স দেদেনা ফোঙদোকখ্রে।



ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিং অসি মহাক্তা ট্রেনিং তৌমিন্নবদা য়াম্না পূক্নিং চঙই। মখোয়গী মথৌ খঙবা অসিনা মালেমদা মশক তাকপা ঙমগনি হায়না মমাঙদা নাইজেরিয়া টিমগী ৱার্ল্ড কপ্পর ওইরম্বী প্রিসিয়স দেদেনা মখা তাখি।

নোংমা মহাক্কী মনাক্তা শান্নরোই অমা লাকখি। মহাক্না হায়, ঐহাক মমগুম্না অফাওবা শান্নরোই অমা ওইরকপা ঙমগদ্রা? মহাক্কী ৱাহং অদু তারবা মতুংদা প্রিসিয়স দেদেনা হায়, নহাক ঐগুম ওইগদবা নত্তে, ঐঙোন দগী হেনবা ওইগদবনি হায়না পুক্নিং থৌগৎপিখি।

ইন্দিয়াগী টিম কোচ থোমাস দেন্নর্বি অমসুং গোলকিপিং কোচ প্রিসিয়স দেদে এপোইন্ট তৌখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোলনা পাল্লিবা থাক অদু য়ৌহনবদা চাওনা মতেং পাঙলগনি। থোমাস দেন্নর্বি অমসুং প্রিসিয়স দেদে নুপীগী ফুটবোলদা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মীওই ঙাক্তনি।

মখোয় অনীগী মতেংদগী ইন্দিয়াগী য়ু–১৭ নুপী ফুটবোল টিম্না চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন’স ৱার্ল্ড কপ্তা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্লগনি।

নুপীগী ফুটবোল অসি য়াম্না থুনা চাওখৎলক্লি, মসি য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইবা অমনি। হৌরকপদা শান্নরোইশিংগা পুনবদা য়াম্না অৱাবা অমা মায়োক্নখি। মালেমগী ফুটবোলগা য়েংনবদা মখোয়গী মরক্তা থাক য়াম্না খেৎনরমখি। অদুবু হৌজিক্তি পূন্নমক অসি মপুং ফানা মেনখৎপা ঙম্লে হায়না প্রিসিয়স দেদেনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন’স ৱার্ল্ড কপ অসিদা লৈবাক অসিদা লৈবা ৫ দা শান্নগনি। সিটিশিং অদুদি অহমেদবাদ, ভুবনেশ্বর, গুৱাহাটি, কোলকটা অমসুং নাভী মুম্বাইনি। টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা পুন্না মেটচ ৩২ শান্নদুনা নবেম্বর ২১ দা ট্রোফি মুন্নগনি।

## ধোনিনা আই পি এলগী ট্রেনিং মার্চ ২ দগী হৌরগনি

*চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী টি–২০ ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) গী টিম অমা ওইরিবা চেন্নাই সুপর কিংসকী কেপ্টেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী য়েংলগা মাচ ২ দগী ট্রেনিং হৌরগনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনি মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম ন্যু জিলেন্দগী মখুত্তা মায়থিহৌখিবা অদুগী মতুংদগী ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা শরুক য়াবা ঙমদনা লাকখিবনি।

ধোনি বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না সেন্ট্রেল কোন্ট্রেক্ট প্লেয়র লিষ্টতগী লৌথোকখিবনি।

মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা মাচ ২ দগী চেন্নাইদা লৈবা এম এ চিদম্বরম ষ্টেদিয়মদা ট্রেনিং চংখবা হৌরগনি। মাচ ১৯ দগী টিম অসিগী শান্নরোই পূন্নমক য়াওরবা মতুংদা ফুল কেম্প হৌগনি হায়না ধোনিনা ফোঙদোকখি।

## ৱার্ল্ড টিম টি টি চেম্পিয়ন্সিপ য়ৈথোকখ্রে

*বুসান, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

কোরোনা ভাইরসকী লায়চৎনা মরম ওইরগা মথং থাগী ২২ দগী ২৯ ফাওবা সাউথ কোরিয়াগী সিটি বুসানদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৱার্ল্ড টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ য়ৈথোক্লে হায়না লোকেল ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

য়ৈথোকখ্রবা ৱার্ল্ড টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ অসি জুন ২১ দগী ২৮ ফওবা পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রে। পনবা য়াই, চাইনাদগী শন্দোরকপা কোরোনা ভাইরসনা মরম ওইরগা সাউথ কোরিয়াদা মীওই ৮ শিহনখ্রে অদুগা ৮৯৩ না নাদুনা লৈরিবনি।

## ইন্দিয়াগী ভিরাট কোহলি, মোহমদ সামী অমসুং রিসব পন্ট এসিয়া এলবেনগী স্কৱাদতা য়াওখ্রে

*ধাকা, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

বাংলাদেশ ক্রিকেটকী ফাউন্দর সৈখ মুজিবুর রহমনগী ১০০শুবা মপোক কুমওন ওইনা এসিয়া এলবেন অমসুং ৱার্ল্ড এলবেননা শান্নগদৌরিবা টি–২০ ইন্টরনেসনেল সেরিজ অনীদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই অনী মোহমদ সামী অমসুং রিসব পন্টসু এসিয়া এলবেনগী স্কৱাদদা য়াওখ্রে।





ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিদি বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই)না কনফার্ম পীরকপদগী মেটচ অনীগী মনুংদা অমা শরুক য়ারগনি হায়না বাংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দনা ফোঙদোকখ্রে। টি–২০ ইন্টরনেসনেল মেটচ অনী অসি মাচ ২১ অমসুং ২২ দা শান্নগদবনি।

ইন্দিয়াদগী শান্নরোই ৪ শরুক য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়না বাংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দকী প্রসিদেন্ট নাজমুল হাসন্না ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কোন্ট্রেক্ট সাইন তৌনদ্রগসু রিসব পন্ট, কুলদিপ যাদব, সিখর ধৱন অমসুং মোহমদ শামী শান্নগদৌরিবা টি–২০ মেটচ অনীদা শরুক য়াবগী ফিভমদা লৈরে।

ইন্দিয়াগী বেটসমেন কে এল রাহুল অমসুং ভিরাট কোহলিসু মেটচ অমমম শরুক য়াগনি অদুবু হৌজি কমককী ওইনদি ফাইনেলাইজ তৌবা লৈত্রি হায়না বাংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দকী প্রসিদেন্ট অসিনা মখা তাখি।

বাংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দকী মায়কৈদগী ভিরাট কোহলিবু মেটচ অনীমক্তা শরুক য়াবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। অদুবু ইন্দিয়ান টিমগী হৌজিক লৈরিবা সেদ্যুলশিং অসিনা মরম ওইরগা কোহলি মেটচ অনীমক্তা শরুক য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বদু য়েংবা তারি।

এসিয়া এলবেনগী স্কৱাদতা য়াওরিবা ভিরাট কোহলিগী মমিং অসি বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট সৌরভ গাঙ্গুলিগা কুপ্না তান্নরবা মতুং হাপচিনখিবনি হায়না বি সি সি আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি হৌজিক–হৌজিক ন্যু জিলেন্দনা মেটচ অনীগী টেষ্ট সেরিজ চংখরিবনি। ন্যু জিলেন্দ টুর অসি লোইরবা মতুং ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা মার্চ ১২ দগী সাউথ অফ্রিকাগা মেটচ অহুমগী ও দি আই সেরিজ শান্নগদৌরি। অহানবা মেটচ ধরমশালাদা মাচ ১২, অনীশুবা মেটচ লক্ষনৌদা মাচ ১৫ দা শান্নরবা মতুং অহুমশুবা অমসুং অরোইবা মেটচতা কোলকটাদা মাচ ১৮ দা শান্নগনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা বাংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দনা বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট সৌরভ গাঙ্গুলিগা পাউ ফাওনবদা লৈবাক অসিগী শান্নরোই ৪ নৎত্রগা ৫ খক য়াওহনবা ঙমগনি হায়রকখিবনি।

ৱার্ল্ড এলবেনগী স্কৱাদতা সাউথ অফ্রিকাগী মমাঙগী কেপ্টেন ফাফ দু প্লেসিস, ভেটেরান বিগ হিট্টর খৃস গাইল অমসুং কৈরোন পোল্লার্দসু য়াওরি। এসিয়া এলবেনগী স্কৱাদতা বাংলাদেশকী শান্নরোই ৪ শরুক য়ারি।

এসিয়া এলবেন টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি– কে এল রাহুল, সিখর ধৱন, ভিরাট কোহলি, রিসব পন্ট, কুলদিপ যাদব, মোহমদ সামী, থিসারা পেরেরা, লাসিথ মালিঙ্গা, রাসিদ খান, মুজিব উর রহমন, মুষ্টাফিজুর রহমন, টামমি ইকবাল, মুসফিকুর রাহিম, লিটন দাস, সন্দিপ লামিছানে অমসুং মাহমুদুল্লাহনি।

ৱার্ল্ড এলবেনগী স্কৱাদতা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অদুদি–এলেক্স হেলস, খৃস গাইল, ফাফ দু প্লেসিস, নিকোলাস পুরান, ব্রেন্দন টেলর, জোন্নী বেয়রষ্টো, কৈরোন পোল্লার্দ, সেল্ডন কোট্রেল, লুঙি জিদি, এন্দ্রিয়ু টায়ে, মিটচেল মেকক্লেনাঘাননি।

## এসিয়ান টিম স্কৱাদ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ঘোসাল অমসুং চিনাপ্পানা লুচিংলগনি

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

মথং থাগী ২৫ দগী ২৯ ফাওবা মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লুম্পুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০শুবা এসিয়ান টিম স্কৱাদ চেম্পিয়ন্সিপ্তা সৌরভ ঘোসাল অমসুং জোস্না চিনাপ্পানা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপী টিম লুচিংলগনি।

ইন্দিয়াগী নুপা স্কৱাস শান্নরোই সৌরভ ঘোসাল নেসনেল টাইটল ১৩ রক লৌবা ঙমখ্রে। ঘোসাল হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১৩শুবা পোজিসন দা লৈরি। জোস্না চিনাপ্পানা মহাক্কী কেরিয়রদা নেসনেল টাইটল ১৮ লৌবা ঙমখ্রে, মহাক হৌজিক ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১২ দা লৈরিবনি।

সৌরভ ঘোসাল অমসুং জোস্না চিনাপ্পাগা লোয়ননা স্কৱাস রেক্কেটস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এস আর এফ আই) না এসিয়ান টিম স্কৱাদ চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি নুপাগী কাঙলূপতা অভিসেক প্রধান, হারিন্দর পাল সান্ধু অমসুং অভে সিংহনি। নুপীগী কাঙলূপ্তা তানভি খান্না, সুনেয়া কুরুভিল্লা অমসুং সানিয়া ভাটসনি।

এসিয়ান টিম স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপকী স্কৱাদ অসি হন্দক্তা লোইশিনখিবা ৭৭শুবা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শান্নরোইশিংনা পীখিবা পার্ফোমেন্সকী মতুং ইন্না খনবনি। স্কৱাদ অসি এসিয়ান গেমস অমসুং কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস ২০২২ গী ওইনসু শরুক য়াবগী ফিভমদা লৈরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

এস আর এফ আইনা দেবিদ পালমরবু ইন্দিয়ান সেনিয়র টিমগী ইভেন্ট বেজগী কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে। পালমর মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বদা নত্তনা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা মেডল ৯ লক ফংবা ঙমখ্রবনি।

পালমর মাচ ১৬ তগী চেন্নাইদা লৈগনি মসিগী মতুংদা এসিয়ান স্কৱাস টিম চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ইন্দিয়াগী টিমগা লোয়ননা মালেসিয়া চৎকনি। পালমরগী চাদিং পূন্নমক এস আর এফ আইনা পুথোক্কনি হায়না ফেদরেসন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা টেবল টোপ্পর লিভরপুরনা ৱেষ্ট হামপু ৩–২ দা থোইদুনা মেটচ ১৮ থংন–থংননা মায় পাকপা ঙমখ্রে

*এনফিল্ড, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ২৭শুবা লীগ মেটচতা টেবল টোপ্পর লিভরপুলনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু গোল ৩–২ দা থোইদুনা মেটচ ১৮ থংন–থংননা মায় পাকপা ঙমখ্রে।



লিভরপুল অমসুং ৱেষ্ট হামনা শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ২৭শুবা লীগ মেটচ অসিগী ৯শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী শান্নরোই জিওরজিনিওনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ১২শুবা মিনিটতা ৱেষ্ট হামগী শান্নরোই ইসা দিওপনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনিটতা ৱেষ্ট হামগী শান্নরোই পাব্লো ফোরনেলসনা গোল অমা হাপচিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিনবা হৌখি। শান্নবগী ৬৮শুবা মিনিটতা লিভরপুলদা শরুক য়ারিবা ইজিপ্ত মচা মোহমদ সালাহনা গোল অমা চন্দুনা ২–২ দা মান্নহনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৮১শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা সাদিও মানেনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসি মখোয়না ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা চংখরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ ১৮ থংন–থংননা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা ভিল্লারিয়েলবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা সিভিলানা গেটাফেবু গোল ৩–০ দা থোইখ্রে।

এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং ভিল্লারিয়েলনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসিগী ১৬শুবা মিনিটতা ভিল্লারিয়েলগী শান্নরোই পাকো অলকাসরনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মতম কুইনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট ৫ ৱাৎলিঙৈদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই এঞ্জেল কোরিয়ানা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক অহেনবা গোল চনশিন্নবা এটেক কয়া চংখনদুনা হোৎনরকখি। মেটচকী ৬৪শুবা মিনিটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই কোকেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা গোল মাঙজিল থারিবা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চংখদুনা লাকখি। মেটচকী ৭৪শুবা মিনিটতা টিম অসিনা চংখরকখিবা এটেক অমদা কোকেনা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমদা টিমমেট জেৱাও ফেলিক্সনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিলক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অসি এটলেটিকো মাদ্রিদনা ভিল্লারিয়েলবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

সিভিলা অমসুং গেটাফেনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী লম্বা মান্নরকখিবদগী মেটচকী অয়াম্বা মতম হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট ২ খক ঙাইরবা মতমদা সিভিলাগী শান্নরোই লুকাস ওকেম্পসনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থারকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৭শুবা মিনিটনা ভিল্লারিয়েলগী শান্নরোই ফর্নান্দোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৫শুবা মিনিটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই জুলস কোন্দেনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি ৩–০ দা মায় পাকখি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা বোর্দিওক্সপু গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। শান্নবগী ১৮শুবা মিনিটতা বোরদিওক্সকী শান্নরোই হৱাং উ জেনা মেটচকী অহানবা গোল চনখি। ২৫শুবা মিনিটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোই ইদিসন কবানিনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি।

৪৫শুবা মিনিটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোই মারক্কিনহোসনা গোল চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমদা বোরদিওক্সকী শান্নরোই পাব্লো কাষ্ট্রোনা গোল অমা চন্দুনা ২–২ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৩শুবা মিনিটতা পি এস জিগী মায়কৈদগী অনীশুবা গোল চনখিবা মারক্কিনহোসনা গোল অমগা চন্দুনা ৩–২ দা মাঙজিল থাখি। ৬৯শুবা মিনিটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই কাইলিয়ান মবাপ্পেনা গোল অমগা চন্দুনা ৪–২ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী ৮৩শুবা মিনিটতা বোরদিওক্সকী শান্নরোই রুবেন পারদোনা গোল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অসি পি এস জিনা বোরদিওক্সপু ৪–৩ না থোইখি। মেটচকী ৯০শুবা মিনিটতা পি এস জিগী শান্নরোই নেমার রেদ কার্দ ফংদুনা মেটচকী মপান থোকখি।

## ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা টোকিও ওলেম্পিক্সতা মেডল য়াম্না লৌবা ঙমগনি ঃ অভিনাভ বিন্দ্রা

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

চহী অসিদা জপানন্না য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা মেডল মশীং য়াম্না পুরকপা ঙমগনি হায়না ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিভিজুয়েল গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবা সুট্টর অভিনাভ বিন্দ্রানা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্সিপশিংদা গোল্ড ২১, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না মেডল ৩০ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৯ দা সুট্টিং দিসিপ্লিনদা রেকোর্দ ওইনা ওলেম্পিক কোটা ১৫ফংবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৬ রিও ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়া সুট্টিং দিসিপ্লিন্দা মেডল অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। কুমজা ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা মেডল অনী ফংখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি। কুমজা ২০০৮ বৈজিং ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী সুট্টর অভিনাভ বিন্দ্রানা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা গোল মেডল ফংদুনা ইন্দিয়ানা ইন্দিভিজুয়েলদা অহানবা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

### ক্রোসৱার্দ ৪৪০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | E | E | R | ■ | H | A | S | H | ■ | S | P | A | R | E |
| R | A | V | E | ■ | E | L | L | A | ■ | O | R | G | A | N |
| U | S | E | S | ■ | S | P | A | R | ■ | N | E | R | V | E |
| T | E | N | T | A | T | I | V | E | ■ | ■ | T | E | E | M |
| ■ | ■ | ■ | A | L | O | N | E | ■ | S | T | E | E | L | Y |
| S | A | L | T | I | N | E | ■ | T | W | I | N | ■ | ■ | ■ |
| I | S | E | E | ■ | ■ | ■ | W | E | I | R | D | E | S | T |
| D | I | N | ■ | A | R | R | A | N | G | E | ■ | L | E | E |
| E | A | T | E | R | I | E | S | ■ | ■ | ■ | P | L | A | N |
| ■ | ■ | ■ | L | E | N | D | ■ | P | A | T | I | E | N | T |
| R | E | R | E | A | D | ■ | M | A | N | I | A | ■ | ■ | ■ |
| E | R | I | C | ■ | ■ | C | O | N | T | E | N | D | E | D |
| R | A | N | T | S | ■ | O | V | A | L | ■ | I | O | W | A |
| A | S | S | E | T | ■ | L | I | M | E | ■ | S | L | E | W |
| N | E | E | D | Y | ■ | T | E | A | R | ■ | T | E | R | N |

## গ্রিসকী সিটসিপাস অমসুং ফ্রান্সকী পাইরে অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*দুবাই, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এ ইগী সিটি দুবাইদা চংখরিবা দুবাই ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাস অমসুং ফ্রান্সকী বেনোট পাইরে নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টাবু ৭–৬(৭–১), ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা কাজাখষ্টানগী আলেকজেন্দর বুব্লিককা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ফ্রান্সকী শান্নরোই বেনোই পাইরেনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২–৬, ৭–৫, ৭–৬(৭–১) দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোই রিচার্দ গাস্কেটকা লম্বা তৌনরগনি।

বৃটেনগী শান্নরোই দি ইভান্সনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৪শুবা সিদেদ ইটালিগী ফাবিয়ানো ফোগনিনিবু ৩–৬, ৬–৪, ৭–৫ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

৩শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী শান্নরোই গেল মোনফিলসসু ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসতা অহানবা রাউন্দদা হঙ্গেরিগী মার্টোন ফুকসোভিসপু ৬–৪, ৭–৫ দা থোইবা ঙমখি।